# বিষ্ণুপুর হোকিনা হোকি য়ুনিয়নবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ মাইপৌ সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এম এস এ) গী মীৎয়েং মখাদা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুমসি চহীগী ওইনা ১৮শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা হোকি য়ুনিয়নবু মায়থীবা পীরম্লগা বিষ্ণুপুর হোকি ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ৬৫না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ১৭শুবা সভেন এ সাইদ মেন্স সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং বিষ্ণুপুর হোকি শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা বিষ্ণুপুর হোকিনা মেচ অদু গোল ৪-২দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা হোকি য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী বিষ্ণুপুর হোকিনা গোল ২ মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা বিষ্ণুপুর হোকিনা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়বু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৪ মখাগী নুপামচা কাঙলূপকী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহানবা টিম ওইখি।

বিষ্ণুপুর হোকিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ বিক্রমজিৎনা মেচকী ৫শুবা, ১৯শুবা অমদি জর্সি নম্বর ১২ এন রোহিটনা মেচকী ২৪শুবা অমসুং ৩৩শুবা মিনটতা গোল ২/২ অমদি বিষ্ণুপুর হোকিগী জর্সি নম্বর ৮ কে ঐচ রোসন্না মেচকী ৬শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা হোকি য়ুনিয়নগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ সুরেস শর্ম্মনা মেচকী ১৩শুবা অমদি ৪৯শুবা মিনটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৬ সোমিকান্তনা মেচকী ৩০শুবা অমদি জর্সি নম্বর ২ এ সনাথোইন মেচকী ৫৯শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি।

# কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা কার্টর ফাইনেল মেচতা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

কাংখূৎ ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৭শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহুমশুবা কার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং হৈঙাং কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু কৈশামথোংনা টোস ঙমদুনা কাং কাপখি। অদুগা হৈঙাং কেন্দ্রনা মায়কৈ খনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা কৈশামথোং কেন্দ্রনা হৈঙাং কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৩-৬তা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা এম ইথোইনা অম্পায়র অমদি এস সরতনা স্কোর কিপর ওইখি।

# অন্দর-১৪ ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিএসন (এম এ এ) গী মীৎয়েং মখাদা ঙসিদগী হয়েং ফাওবা নুমিৎ নীনি চূপ্পা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী আর্চরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মিনি অন্দর-১৪ ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতা আর্চর ৯২ অমসুং কম্পাউন্দ অমদি রিকর্ভ ইভেন্টতা ২৯ পূন্না আর্চর ১২১না শরুক য়াদুনা রিকর্ভ, কম্পাউন্দ অমদি ইন্দিয়ন রাউন্দ হায়না ইভেন্ট অহুমদা অথোই অহেন তান্নগনি।

## এল এম আই, চোকতোম এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ এম এস ৱাই দি ওনা শীন্দুনা অমসাগী মীৎয়েং মখাদা লাইচিং লাইপৌ শান্নবুংদা চথরিবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা চোকতোম এফ সীনা জিওংতলাং এফ সীবু ১-০দা অমদি এল এম আইনা থোমাস এফ সীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

# ফ্রেন্দলি মেচ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ ক্রিপা সোসাইটিনা শীন্দুনা মমাঙ চহীদগী হৌদুনা পাঙথোরকপা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা চথরকপা থবক থৌরম অমদি চারিবা মীওইশিংসু তংদু লৈতাবা ফীভম অমদা থম্নবা হোৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমগা মরী লৈননা অনীশুবা কম্যুনিতি সোক্কর মেচ ২০১৮ ঙসি কোংবদা লৈবা ওলা ক্লবকী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

দ্রগ য়ুজ রিলেটেদ ইস্যুজ হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ওলা ক্লবকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম শান্তিকুমার অমসুং কে এল এল ৱাই সীগী হান্নগী সেক্রেটরি নিঙোম্থম নবনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা দ্রগ য়ুজ রিলেটেদ ইস্যুগী মরমদা স্পোক্সপার্সন ওইনা অমাদাগী হান্নগী সেক্রেটরি বোবো মীতৈ, ক্রিপা সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট হিজম দিনেস অমসুং লৈমখুলেন দিভলপমেন্ট কোওর্পরেসন ওর্গেনাইজেসনগী কনভেনর নিঙোম্থম টিকেন মীতৈনা ওইখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্রিপা সোসাইটি অমদি ইম্ফাল ইষ্ট ক্রিপা সোসাইটি অনীগী মরক্তা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শান্নখি। মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট ক্রিপা সোসাইটিনা ৱিনর ওইখি। অদুগা বেষ্ট প্লেয়রগী মনানা ক্রিপা সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিকিনা তাখি। মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম খূৎশিন্নখি।




HL-B/4876/22/9-21/10

# ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীদুনা ৭লকশুবা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

দুবাই, সেপ্তেম্বর ২৯(এজেন্সী)ঃ য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি দুবাইদা পাঙথোক্লিবা ১শুবা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা বংলাদেশপু ৱিকেট ৩দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়না টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৭লকশুবা ওইনা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা বংলাদেশকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০ মপূং ফানা শান্নবা ঙমদনা ওভর ৪৮গা বোল ৩ শুরকপদা টিম অদুগী বেচমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ২২২ লৌখি। বংলাদেশকী মায়কৈদগী ওপনর লিটোন দাসনা বোল ১১৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১২ য়ৈরগা রন ১২১ লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি।

বংলাদেশকী মায়কৈদগী মেহিদি হসন অমসুং সোময়া সরকারনা মথংশিংনা রন ৩২ অমসুং ৩৩ লৌরমখিবা অদু নত্তনা টিম অদুগী অতোপ্পা বেটচমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে। ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা কুলদিপ যাদবনা ৱিকেট ৩ লৌখিবা অমসুং কেদর যাদবনা ৱিকেট ২ লৌখ্রবা মতুং জসপ্রিট বুমরা অমদি য়ুজবেন্দ্র চাহলনা ৱিকেট অমমম লৌখিবা অদুনা চাওনা মতেং পাংখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু মায়পাক্নবা লৈখিবা টার্গেট রন ২২৩ অদু ওভর ৫০ লোয়শিল্লকপদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা লৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৩দা মায়পাকখিবনি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর অমসুং কেপ্তেন ওইখিবা রোহিট শর্ম্মনা রন ৪৮ লৌখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি। দিনেস কার্থিকনা রন ৩৭ লৌখিবা, এম এস ধোনিনা রন ৩৬ য়ৈখিবা, লোয়ননা কেদর যাদব, রবিন্দ্র জদেজা অমসুং ভুবনেশ্বরনা রন ২১ লৌখিবা অদুনা অপূনবা পাঙ্গল ওইরগা অরোইবা ওভর অদুদা ইন্দিয়না বংলাদেশপু ৱিকেট ৩দা থোইদুনা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী ৭লকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা পূন্না রন ৩৪২ লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱননা প্লেয়র ওফ দি সেরিজগী মনা ফংখি। অদুগা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা বোল ১১৭তা রন ১২১ লৌবা ঙমখিবা বংলাদেশকী ওপনর লিটোন দাসনা মেন ওফ দি মেচকী মনা অদু ফংখি।

ইন্দিয়ানা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল তরেৎলক ফংবা ঙমখিবা অসিদা টিম কেপ্তেন ওইখিবা রোহিট শর্ম্মগী থৌদাং চাউনা লৈখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নরকখিবা মেচশিংদা ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স লৈবদা নত্তনা কেপ্তেন অমা ওইবগী অচুম্বা থৌদাং লৌখি। ফাইনেল মেচ শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা আফঘানিষ্টানগা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচতা মহাক য়াওদনা শান্নখিবা মেচ অদুসু হৌবদগী লোইবা ফাওবা রোহিট শর্ম্মনা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৯

১। চাইনানা হৌদোকখিবা মশান্না অমা জপান্না য়াম্না পাম্বা মশান্না অমা ওইখি। মশান্না অসি চাইনাদা কয়া থৌওইবিদে। কুমজা ১৯৬০দা জপানগী টিম অমা চাইনাদা লাক্তুনা মশান্না অসি ৩০রক শিংনখিবদা জপান্না ২৮ লক থোইখি। মশান্না অসিগী ৱর্ল্দ চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৭৯দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। মশান্না অসিগী মমিং পীয়ু।

২। মহাক ওলেম্পিক্কী হিয়াং তান্নবদা সনাগী মেদল অনী ফংখি। অমেরিকাগী প্রসিদেন্টকী ভোট লেপ্পদা কাখিদে। মহাক মালেম শিনবা থুংনা ফাওবা দাক্তর অমনি। মহাক কনানো?

৩। কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন শেমখি। চহী অদুমক্তদা ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী লূপ অমসু শেমখি। শান্নবগী লূপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪। ওলেম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াখিবা নিপা অমনা মহাক্কী নূং অদু লংবা মতমদা জজনা দিসক্বালিফাই অনীরক পীখি। মরমদি মহাক্না নূং লংবা মতমদা মখজাই শোক্লা নূং অদু থমগদবনি নৎত্রগা খজাই ময়াদা য়াম্না নক্না লেংজুমদা থম্লগা লংগদবনি। মহাকপু দিসক্বালিফাই ওইহনখিবদি মহাক্না চৎন-কাঙলোন অদু ঙাকখিদবননি। নূং অদু অনীরক হুনবদা দিসক্বালিফাই ওইখিবদগী মহাক শাউদুনা অহুমশুবা নূং অদু লংখিদে, মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




HL-P/5416/23/9-2/10

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com